ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ফেব্রুৱারী ০৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩০৯শুবা মশীং

# কংলা

## ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোক্লুবা তকশিনখিবা থাগৎনিংঙাইনি

কুমজা ১৮৯১ দগী বৃটিশ লৈঙাক্না কংলা খুদুম চনশিনখি। কংলা মতমদুদা কনাগীসু মখা পোন্দনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরম্বা মণিপুরগী কোনুংনি। শেঙলবা মফমনি, চৎনবী, লাইনিং লাইশোনগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা য়াম্না অরুবা লাইফম্লেন অমসু ওইরিবনি। নিংথৌরোল ৭০ হেনবনা মথং মথং নিংথৌ ওইনা পানখিবা মফমনি। মতমদুগী বৃটিশ ওফিসর কয়াগী রিপোর্টতা কংলাদা মতম অমদা কোনুং অমা ওইবগী মতিক চাবা বিল্ডিং অমদি মোন্যুমেন্ট কয়া লৈরম্মী হায়না ইরল্লি। অদুবু কংলাদা লৈরম্বা বিল্ডিং অমদি মোন্যুমেন্ট কয়া কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গলো মণিপুর ৱারদা বৃটিশশিংনা থুগাইখি হায়না য়াম্না ময়েক শেঙনা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমগী তরেৎনি চনবা নুমিৎকী য়াম্না চিরবা তাঞ্জা অমদা স্পিসল সেসন ওইনা কংলাবু তঙাইফদনা ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকপীননবা হাউসতা পুখৎখিবসিমক তশেঙনা লৈবাক্কীদমক কথোকপগী গুণ চেনবা থৌদাং উৎপনি হায়দবা ঙমদে। কংলাগী ৱাফমদা নত্তনা এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা মণিপুরদগী হৌখিবা শগোল কাংজৈ (পোলো) গী মতাংদসু হাউসতা মরিক চুম্বা ৱাফম থমখ্রে। লৈবাক মীয়ামগী ঈহুল খঙনা এম পিনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা লৈবাক্কী ওইবা মরু ওইবা ইশ্যুশিং মতাং চানা পুখৎপা ঙমখিবসিমক মতিক চারবা মেম্বর ওব পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) অমনি হায়দবা ঙম্লোই।

মমাংদসু এম পি মশামক্কী ওইনা ইহান হানবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম য়াওবদা মণিপুরী লোলবু 'ক্লাসিকেল লেংগ্বেজ' গী ষ্টেটসতা থম্নবা হাউসতা পুখৎখিবা লৈখ্রে। য়াম্না মতাং মতম চানা এম পি অমগী মগুণ উৎপা ঙম্লিবসিমক মণিপুরগী মীপুম খুদিংমক্না থাগৎনফম থোকই। য়াম্না শেংবা নিংথৌগী ঈ অদুম্মক এম পি সনাজাওবগী শিংলি নাওরিদা চেল্লি হায়বমক য়াই। লৈবাক্কী লুচিংবা ওইরগা লৈবাক্তুদা লৈরিবা মীয়ামগী থম্মোয় পেলহনবা ঙমদ্রবদি লুচিংবা ওইবগী মতিক ময়াই লৈত্রে হায়নরিবনি। মণিপুরগী ওইনা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববু এম পি অমা ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা থাগৎখিবগী মহৈ ঙসিদি মণিপুরগী মীয়াম্না ফংবা হৌরক্লে। মতম কয়াগী মমাংদগী তশেংনা প্রজাগী ঈহুল খঙবা অশেংবা লুচিংবা অমা মণিপুর মীয়াম্না ঙাইরম্বনি। মদুমক লৈশেম্বা সনাজাওবনা ওইরকপসু য়ারি। এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা হৌখিবা অমদি হন্দক্কী পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা ইচঙ থৌনা মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা হীরম কয়া পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুথোক্তুনা হাউসকী পুক্নিং চিংশিনখিবা অসিমক য়াম্না মায় পাকপা খোঙথাং অমনি। তুংদসু হেন্না হেন্না লৈবাক্কী ওইবা ইশ্যুদা পুক্নিং চঙলকপা ওইসনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়ুমীদাংৱাইরমগী ৱারী

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

ইঙোচানা হায়বনি, "বাংলাদেশ মচাশিংনা ঐখোয় লৈবাকসিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈবাক অমা মালেমদা লৈরমগনি হায়বা থাজবা শুকঙম ঙম্লল্লোই খল্লি। মসিনা ওইবা তাই ঐখোয়গী লৈবাক্তা বাংলাদেশ মচা কয়া কয়ানা নারোন্দা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লে হায়নরিবসি। মখোয়দা নত্তনা ম্যান্মার মচা ময়াম অমসু লোন্না লোন্না হাইজিল্লক্লি হায়নবা তাই, ঙমখৈগী য়েৎনবা তাই। ঐখোয়গী লৈবাকসিবু মখোয়গী মমিৎতা শোয়দনা লাইরৈবাক্কুম্বা মফম অমা ওইনা মখোয়না উরম্বা তাই। হোয়, নোংমা কাংদনা তারিবা শেমগৎপগী, শাগৎপগী, চাওখৎপগী মনম-মনম তারিবা ঈ-পাউ ময়াম অসিনা মীরৈবাক মচা কয়া কয়াগী মথম্মোয় অদু মথুম-মরাং হৌহল্লম্বা তাই।"

মখা তারকই ইঙোচা, "অহল মতম ওইরবা তোল্লবা-তারবা নুপা-নুপীশিং অসি অমত্তা ৱাত্তনা ওল্ড এজ পেন্সন পীবিরে, মসিনা তাকপদি অহল অমত্তা ৱানীংঙাই লৈত্রে হায়বনি। অহল লমন, মচা মশুশিংনা লুনা তৌবীরগনি পেন্সন ফংলবনিনা। অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা লৈঙাক্না লেম্না লায়েংবীরে, লৈঙাক্না শেল থাংদোকপীরে হায়রে অদুনদি লৈবাকসিদা অনা অয়েক করি করিসু ৱানীংঙাই লৈত্রে। মসি মীরৈবাক মচা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংনা মতিন কুৎ-কুৎ য়োৎলগা লৈরমদনীংঙাই ৱা লৈতে। অদুগীসু মথক্তা চাননবা চেঙ লৈতে হায়বগী ৱানীংঙাইসু লৈত্রে, চেঙ লেম্না লেম্না য়েনবীরে, লেম্না পীবগী মথক্তসু হোঙনসু অমুক পীরে। করি অমত্তা ৱানীংঙাই লৈত্রে। মসিদবু নুংঙাইতে, ৱাই হায়রুবা মী অদুদি মীরৈবাক মচানগা তারবদি য়াম থীনা চৈরক্তবা য়াওরোই।"

হীদাক খরা থাঙ্গৎখ্রবদি লোইবা নাইদে ইঙোচা মখা শমথরকই, "স্কুলদা চাক লেম্না লেম্না পীজরে। তম্নবা লাইরিকসু লেম্না অমুক্কসু পীবিরে। সিদবু ভালো হায়দনীংঙাই করি লৈরি? অঙাংশিংনা স্কুল কাবদা তোঙননবা খোঙউপ ফাওবা লেম্না পীরে। য়ুনিফোর্মসু লেম্না পীবিরে। মিং লেম্না চনবীরে। ট্যুসন ফী পীবগী দরকার ওইদ্রে। করিনোনে অসুক নুংঙাইবা লম অসিবো? য়ূম লৈতবদা য়ূম লেম্না লেম্না শাবীরে। টোইলেট লৈতবদা টোইলেট লেম্না শাবীরে। গ্যাস ফ্রী কনেক্সন তৌবীরে। লায়রবদা মৈ হোঙনা পীবিবগী থৌশিল লৈ হায়বা তাজখ্রে। লেম্না থালহনবগী ৱাসু হায়ফেৎ তাখিগুম তৌই করি ৱানীংঙাই লৈরি ঐখোয়? সি মঙাইরে নুংঙাইবা হায়বদো। নমু তাইবঙ মীওইবা অমনবু চানবা চাক লেম্না পীবিরবা, লৈনবা য়ূম লেম্না শাবীরবা, অদুগীসু মথক্তা হকচাং শেংদোক্নবা টোইলেট অদুমসু লেম্না পীথবিরল্লবদা করিনো মীদুনা ৱাদৌরিবা অসিবো? খূৎতা হামদুনা চাবগী মওং হায়বদুমকনি। ফীভম অসি লৈরবনিনা অফ-অফবা ৱাখল খনবসু ঙম্লনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মীখল ফাওবা থেংনগে হায়রক্লনি। হৌদোকপগী হৌদোকপা মতম খরা লৈরগদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোৎয়েং পীনবা শেল ফাওবা মশা মশাগী একাউন্টতা ফাইরেন থাদা হাপ্লকপা য়ারিবনি। সি নৎত্রা ঐখোয়না পাল্লিবা রাজ্য (লৈবাক অদো) হায়বদো। ফনা য়াম্না মঙফাওনবীরবনি। সি মঙাইদনা নুংঙাইবা নুংঙাইবা হায়বদো? মহৈরোয়শিংগী স্কোলরসিপ, মসিদা নত্তনা পেন্সন মখল মথেল, মসিদা নত্তনা মীরোলবী নুপী, অঙাং, লৈশাবীগীফাও অঙ্গনৱাদিগী মতেংনা মচল শুবা চিঞ্জাক য়েল্লি হায়রি, মসিদা ৱানীংঙাই করি লৈরিবগে হায়বা অসিনি? মসিদা ৱামল্লবা মী হায়বদুদি ৱামল্লবা হায়বদুনি। থবক শুফম নোমফম খঙদনা লৈবা অদু শেল থোকচনবা এন আর ঈ জি এস হায়বা অমসু মাঙদা লৈরে। নুমিৎ চামনি থবক ফংনরবনি। ঐখোয় ৱানীংঙাই লৈত্রে, ৱাই হায়বদা পকচদ্রে হায়বা তাই।"

নুমিদাং পুং তরা ফাওবা ময়ূম হন্নি খঙদে, ঙাঙবা লেপ্পে, 'অঙাং নুবিদা কারল তাবা ফাগৎতুনা চৈরাক পীনবা পোক্সো এক্ট লৈরে। নুপীবু শরাক তম্বা মতমদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎলে। করি ৱাৎলি ঐখোয়? সিবু লাইরৈবাক ওইদ্রিবরা? অসুক নুংঙাইবা লমদম অসি বাংলাদেশ মচা ময়াম্না কল্লকপা তাবনি। মীরৈবাক মচা কয়ানা শোয়দনা কল্লক্লুফম ওইবা মশানা তাবনি। সিদি কদাইদগী তাবদা নুংঙাইবগী নুংঙাইবা ঙাক্তা ওইরবা লাইরৈবাক ওইরবনিনা মীরৈচাশিংনা লিৎশিন্নীংবা মশানা তারবনি। টোটি ঈশিং ফজনা তারিমাল্লে। মৈ চাং নাইনা লাক্লিকো। লম্বী ফজনা শেল্লিসিদা ঙাওরোইদৌবা মীরৈবাক মচা কনা লৈগনি? যত্রা কয়া মথং-মথং হুল্লিবা, শঙ্গারি লেপ্পা লৈতে অঙকপা ওইরে। নৌনা থবক কয়া লৌরি। থবক লৌনবা এদভর্টাইজমেন্ট কয়া থোক্লি। হায়দুনা কান্নদ্রে নুংঙাইবা পাউ ঙাক্তনি। করি ৱানীংঙাই লৈরিবগে? সিদা ৱারবদি ঐখোয় পেন্থোকপা হৈতবা হায়বদু তারবনি। নুংঙাইবা হৈতবা মীদি ৱানা হিংবা তাবনি। নুংঙাইবা হায়বসি ৱাখলগী মখা পোনবনি। ৱাখলদা নুংঙাইবীয়ু অদুম নুংঙাইবীয়ু অদুম নুংঙাইজরক্কনি। ৱাই-ৱাই হায়বসি মীনা পকত্রে হায়বীরকপদু ঙাইবা ওইনা থোক্লনি নুংঙাইবীয়ু, পংনুংদা নুংঙাইবীরো। পংনুংদা নুংঙাইবীয়ু।"

মানা ৱা ঙাঙবা লোইরকপদা মহাক য়ু য়োনফমগী মাঙ্গোলদা মথন্ত ফমদুনা লৈরম্লে। মানা মাঙ্গোলদা করম্না লৈরল্লিবা, মাগা লাকমিন্নবা ক হ্য াই না করম কান্দা মাবু হুন্দোক্তুনা চৎখ্রিবা, য়ু দুকান অদুনা করম কান্দা থোঙ লোনখিবা মহাক ৱাখল শুক্তা তাহৌদ্রে। থা অদু নোংচুপ চীংয়ালোমদা লৈথবা হৌরল্লে। মসিনি য়ুমিদাংৱাইরমগী ৱারী। নুমিদাংৱাইরম নৎচদে। ●



# য়ুগী ৱারী, য়ুগী ৱাথোক, য়ুগী মহাউ

### নবকুমার ওইনা

য়ু থক্তবশিংনা য়ুগী ৱা ঙাঙলোইদবনি, ক্রাইমদি ক্রাইম ওইনা খন্নগদৌবনি। ক্রাইম তৌবশিংনা য়ু থকপগীদমক য়ুদা ক্রাইম ওইনা ঙাঙনবা লাল্লি। থাঙনা য়ান্নবগীদমক থাঙ অথৌবা শাবা তোকউ হায়নবদি কৈদৌই। লান্দা থাঙ পায়রম্বসু নুপানা অয়াম্বনি, নুপীসু থাঙ হাইবা কয়া অমা লৈরি। য়ু শুংবসু নুপীনি, য়ু য়োনবসু নুপীনি, য়ু থকপা থিংবসু নুপীনি। নুপানা তুং ইনবগুম্বনি, থকপা হৈবসু থিংবদা য়াওশিল্লি। নুপীশিংসি য়ুগী নৎত্রবদি থবক অতৈ লৈত্রবরা?

নুপী খুন্নাইনা নুপা লাক্লবা পাম্বগী য়ু শুংলকখিব্রা? নুপাশিংবু শাউবা, য়েক্লবগুম লৌবা, মুৎনবা য়ু শুংখিব্রা? থায়নদগী নুপীসু য়ু থকপা য়াওরকই। য়ু থকপদা হেঞ্জিল্লবা হায়বসি ৱাখল লায়না লৈরবনি হায়গনি। কানি চাবা, নম্বর ফোর চাবা, গঞ্জা থকপা, গুলি চাবা, দ্রগ চারিবা ময়ামসি ৱাখল-লৌশিংনা লাকশিনবা ঙম্নবগী মরৌশিং য়াওরক্তবনি। মপা-মমানা ৱারক ৱাতেম্বা ৱাৎপা, লাইরিক-লাইশু তম্বা ৱাৎপা, থকসি-খাসি ৱাৎপা, মচিং ফত্তবা, মী উশিত্তবা, হে তোংবা কয়াদগী লাইচুবা য়াওরকপনি। য়ুনা নত্তে, য়ু থক্লগা নোংমৈনা কাপ্লবসু য়ুদা তায়নবা য়াব্রা। ৱাখল খন্থবা ঙমদবদি জেনেটিক ওইবসু য়ারক্লি, মী খুদিং ৱাখল মান্নদে, মরৌশিং মান্নদে, খেন্নবদু য়ুনা নত্তে। ৱাখল লায়নাদু য়ুদা তায়নরগা ফগদৌবা নত্তে, য়ু থকউ হায়বসু নত্তে।

য়ুদা লাইচুবদগী লায়েংবা ঙমদনা শিখিবা মীগী মশীং য়ামখ্রে। লায়েংবা ঙমজদ্রগা, য়ু য়োনবদা তায়নবা লাল্লি। লায়নাদি য়ু শুংলিবা, য়ু য়োল্লিবা, য়ু থিংবা পাল্লিবশিংনা চনিং তানা ৱারী শানবা ঙমজদবা, য়ানদবা, নুংশিনদবা, ৱারেপ লৌবা ঙমজদবা, য়ু থক্লিবশিংবু মচা-মশুনি খন্দবা, শেন্দান লম্বীনি খন্নবা অদুনা হেন্না শাথীরিবনি। অদুগা য়ুদা তায়নরগা ৱারীদা লীলা মাল্লকপদুনি। য়ু শুংবসু তোক্তে, মচিন অদুম থীগনি, লাইনা য়ু থকই হায়গনি। য়ু থকপা মীদুদা য়ু অদুম পীশিনগনি, ৱাথোক ওইরিবসি য়ুদু নত্তে, মীদুনি, পীরিবসু থক্লিবসু। শুংলিবা মীদুসুনি, মানা শেলদা ঙাওবনি, তপ্না-তপ্না মী হাৎলিবনি, মীরোল তাবা ৱাৎলিবা খুন্নাইদু মূথৎলিবনি, লৈবাক অমা মাঙনবা শীল্লিবনি। মরৈবাক নুংশিবা শাবদা য়াওরিবনি।

মন্ত্রিসু য়ু থকই, পুলিসসু য়ু থকই, মৈরা পায়বীগী নুপাসু য়ু থকই, জজসু য়ু থকই, কনানা য়ু থিংগনি খল্লিবনো। খুজিন মমায়মুক পাকপা লমসিদা য়ু থকপা থিংলগা মালেমগী লৈমায়শিংদগী য়ু মূৎখিদৌবা নত্তে। থবক লৈতবগী, থবক হৈতবগী, থবক শুদনা য়ুগী ৱারীদা পুন্সি লেন্নবা য়াওবগীনি। থবক কল্লবদি য়ু শুংবা শংলোই। য়ু থকপসু শংলোই, য়ু য়োনববু থবক্লা। থবক শুদবদুনা লৈঙাক্তা তায়নগনি, লৈঙাক পায়বশিংসু শেল তানবনা মরু ওইনা খনবা য়াওরমগনি। শেল তান্দ্রবদি কদায়দগী য়েনগদৌরি। য়ুদগীদি মদুনা হেল্লিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকনি। লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বদু মূথৎখ্রিবনি, খুন্নাইসি মমিং মথাফাও কাং-খোং চাইখ্রিবনি। য়ু থক্তবা শাবশিংগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক অসিনা হেন্না লৈবাক মাঙহল্লিবনি। লৈবাক মাঙখিবা হায়বসি মীয়ামগী ৱাখলসু মাঙখ্রবনি। ৱাখল লৌশিং মাঙখিবদগী দ্রগতা, য়ুদা এদিক্ট ওইরক্লিবনি। য়ু থকপা লাইশিংদি ফনবু ফরি, য়ু থক্তবা লাইশিংনা লৈবাকসি মথক-মখা ওল্লিবনি। তুমিন্না য়ুদি অদুম শুংলিবনি, য়োল্লিবনি, থক্লিবনি। লমদম অসিদদি লাই নীংবশিংমুক মচিন থীবা লৈত্রে হায়বসু য়াওনরক্লবনি। লাইদা য়ু কৎলগা থকই, হেন্না শুংলগা শেল তাল্লি, কয়াদা চিন থীনরিবনো। মদুবু লাইদুনা য়ারিবনি, লাইসু য়ু ঙাওবা মাল্লক্লি। লাইনীংদা এদিক্ট ওইবসু লৈরিবনি।

লাইরিক হৈবশিংসু য়ু থকই। লাইরিক্তা য়ুগী ফত্তবশিংসি তম্বীবা ৱাৎলি। হকচাং মনুংদা য়ু থকচিল্লবদি ফোর্মেলদিহাইদ ওল্লকই হায়বসি নহানমখৈ খঙলক্তে। ফোর্মেলদিহাইদ চায়বা ঙা চাবদি তোক্তে। ঙা চাগেরা, য়ু তোক্কেরা, উনগী ঙা চাবা তোক্কেরা ৱারেপ হান্না লৌফম থোকই। হায়বদি চিঞ্জাক্কী মরমদা খঙবা ঙমদ্রবদি লাইরিক তম্বনি হায়বা য়ারোইদবনি। ফত্তবা য়ু, অফবা য়ু হায়বা খায়রক্লি। চাগী হোটেল ফাওবা রেজিষ্টর তৌহল্লবা মতমসিদা য়ু শুংবদি লাইগীনি হায়রগা রেজিষ্টর তৌবা য়ানদ্রি, লাই অদুদি রেজিষ্টর তৌরবগুম্বনি, কম্মিটিদু রেজিষ্টর তৌরিবনি। লাইদগীদি য়ুনা হেন্না চাউরক্লি। মীয়াম্না ফনা কন্না য়ু থিংলবসু শুংবা তোক্ত্রবদি, লোন্না য়োনবা তোক্লদ্রে, ফোংনা থক্লরক্লে। পুলিস খরনা য়ু লিক্লি থুগায়রি, খরনা শেল খায়বসু য়াওরি হায়নরি। থিংগনি হায়না লাউবা হায়বসি রানী শারগা কনাদা সনা য়াথং লাউথরিবনো? কনা-কনানা থবক ওইনা তৌবা ঙম্নরিবগে? চৎন-কাঙলোন শেম্বা হৈতনা লাউবা-খোংবা খরনা খুন্নাইগী মায়ওন চুমথোকপা ঙমগনি থাজদে। শুংবা পাম্বশিংনা শুংসনু টেক্স থিগদৌবনি, পংয়োন য়োনবা য়াহল্লোইদবনি। য়ুগী মমলসু ৱাংসনু, মপান্দসু থাদোকসনু, থকপা ঙম্বশিংনা থকসনু। গাড়ী থৌগদৌবা লৈরবদি য়ু থক্লোইদবনি, য়ু থক্লবদি গাড়ী থৌরোইদবনি হায়বসি লোনি হায়বা খঙহনগদৌবনি, চ্যেক তৌরিবশিংনসু য়ু থক্লোইদবনি হায়বসি চৎনবী ওইহনগদৌবনি। চিন্না থবক শুগদৌবা নত্তে, কাঙলোন্না থবক শুহনবা হৈগদৌবনি। দেমোক্রেসিনি য়াদবা য়াব্রা, মীয়ামগী ৱারেপনা থবক তৌগদৌবনি। মিংচৎ পাম্বদগী কোয়লাউ লাউবসু থবক ওইনা লৌফম থোক্তবনি। মিংচৎকী কান্নবা লৈত্রবা মতমনি। মীয়ামগী কান্নবা হায়বসি তুংগী পুৱারী ওইগদৌরিবনি। পুৱারী হায়বসি ৱারী নত্তে, হিংবদুনি। য়ু শুংলগা শেল খরা তানবদু পুৱারী ওইহৌবগী মিংচৎতু পাম্বগীরা হায়বা ময়েক শেংনগদৌবনি। য়ুসু শুংসনু, থকপসু থকসনু, য়ুগী মহাওসু মালেমদা খঙজসনু, শেলসু খোমসনু, লমদমসিগী লনসু ওইসনু।

য়ু ঙাওগনবা, য়ু থকপা হৈতবশিংদু য়ু থকপা তোকহনগদৌবনি। মখোয়গীদমক য়ু শুংবা তোক্কদৌবনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মতমগী ঈশিং নুংশিৎনা শেংদবনা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

তম্বা ঙমদ্রবা পুন্সি খোঙচৎনি খঙনা মীওইবা ঐখোয়না খুন্নাইসিদা শিরোইদবোই, নারোইদবোই মতৌগুম মা-মাগী অনীংবা-অপাম্বনা পুন্সিবু অচুম্বা লম্বীদা চৎপা ঙমহন্দনা ফৎত্রবা লমচৎ শাজৎকী লমজিং মখাদা তুংইনখিদুনা চৎনখিবসু কয়ানি। অদুবু খুন্নাই অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবনি। অদুগা খুন্নাই অমা মাঙনবা শিনবদি খুরক হাংদনা লৈনরি। ফত্তবা চিঞ্জাক্না মহু কল্লবা মহিক অমগুম শন্দোক্লবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্না কন্না হোৎনরি। অদুবু ঐগী হায়বা ৱাখলনা পূক্নিংগী অপাম্বা লাকশিনবা ঙমদবনা অয়াম্বা ওইরি। মসিনা ফত্তবগী লিচিংনা পুনশিনবা হেনখিবনা মপূং ফারম্বা পুর্নিমা থানিলনা নোংমা নোংমগী মমি শাল্লকপা, মমৈদা থাশি অহিং লাকপগুম ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী খয়াৎতা তারবা পুন্সিশিং অমম্বা লম্বীদা খোঙদাখিগদ্রা খনবদা ৱাদবা ঙমদে। অদুগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবনা পুন্সি মাঙনবগী মশকনি খঙনা থাদোকপা ঙম্নদনা শীজিন্নবা কয়াগী মরক্তসু পুন্সি লোম্বসু য়াওনখ্রে। মসিদা অয়োনবা মীওইনা নুংঙাইরি, শেল পায়রগা ইনাক খুল্লগা লোইরে, মীওইবা পুন্সিগীদি খঙদে খনবগুম অহিং নুংথিল শিনি-নানি খঙদা শেলতবু ফংনবা হোৎনরি। অদুবু য়োল্লিবা মাগীসু অৱাবা শরুক অমুক্তি লাক্কনি হায়বদি কাউনরি। তৌবগীদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োল্লিবা মহাক্কীসু অৱাৎপা লৈবদগী অৱা অনা থিদনা হোৎনবা ওইরমগনি। অদুবু খুন্নাই অমদি মীওইবা পুন্সিবু মাঙনবগী মশক ওইরবা চিঞ্জাক্না পুন্সিবু য়োনবদি খরা খন্থবনা ফবরা খঞ্জে।

নাকল অমরোমদা ইরমগী মৈগী মতাংদা য়েংলুরগা হান্নদগী য়াম্না ফরে হায়বা য়ারে। অদুবু প্রিপেদ মিটর পান্নরকপা মতমদা মুৎতনা লাক্লবা মৈনা অমুক অনীরক্তি মুৎপসি নোংমগী পাল্লি ওইরক্লি। মসিসু অখঙ অহৈগী অঙকপা খূৎশেমনি। অদুনা মমৈদদি মতম অমগী মৈগী মতৌগুম লোদ সেদ্দিংনা থাশি ওইরক্তুনা মল্লক্কদ্রা খন্দবা ঙমদে। চারম থক্লমদাই, থবক তৌরমদাই মৈ ফংদ্রগদি কনাগী থম্মোয়না নুংঙাইরমগনি। মোমবতি লৈবদা শেল তিংবা, মৈ ফংদ্রবসু মিটরগী পৈশাদি ককপা, মমৈদদি থায়নগী উচাল, পোদোন থাল্লগা লেল্লম্বা পুন্সিদুনা হেন্না ফরমগনি শোন্নরক্কনি খল্লি। মৈ লাক্তবগী নুংঙাইতবদি মীয়ামসু লোইনা খঙনরবনি। মৈ-ঈশিং হায়বসি মীওইবগী হিংনবগী লম্বীনি, খরা নিংথিনা য়েংহঞ্জনীংই। হোয় খুদোংচাদবা লৈরম্বসু য়াই।

নাকল অমরোমদা নুপী ওইবীশিংগী পুন্সি খোঙচৎসু অৱাবগী মশকনি। য়ূম্বাল নুংঙাইত্রে অৱাবা নংই, নুপা ফৎত্রে নুংঙাইফম খঙদে, চাসি মরূ হুন্দোকসি মতোং হায়নবদু থোক্তবসু নত্তে। ফত্তে হায়দুনা মপুরোয়বা হেক্তা খায়নবসু য়াবা নত্তে। মীংচৎ থীনীংঙাই লম্দসু নুপী হেক্তা ইচেন্দা চেন্নে। মসিমক্লা নুপীগী মপোক তোল্লি হায়নরিবনি খল্লি। অদুবু ইচং থৌনা ফবী নুপীসু য়াওদবদি নত্তে। থৌদোক ৱাথোক খরদা চেন্নবা পুন্সি ওইরবসু লৈবাক অমা, ইমুং অমা ফনবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাংদি নুপীতনা লৌদুনা লাক্লি। অদুন্নদি ওইরগা ফত্তবা ৱাখল্লোন্দসু মখোয়গী লিচিংনা অয়াম্বা চিংবগুম তৌরি। ক্রাইম কয়াগী ৱাথোক, ইমুং মনুং, মচিন-মনাও, মপা-মচা নুংশিনহন্দবা, মশাগী মরাল কুপশিন্দুনা লৌনম চিরোল ৱাহৈনা মপুরোয়বগী নাপ্পদা খোইমুনা লৈরাংদা ঙংবগুম ঙংলবদা করিগী পুকচেল হোংলোই, শোয়দনা হোংলক্কনি, মীয়াম্না নুপী ৱা ইনবা হায়নবদু ওইরকই। ইনবসু য়াওনরি, অচুম-অরান ৱায়েলদে মাগী নুপীনবু হায়রবদি অচুম্বনি খনবা নুপাশিংগী মরক্তসু য়াওনরিবনি।

হৌজিক্কী মতমদা করম্বা নুপানো, করম্বনা নুপীনো থাজগদৌরিবা। ইচাসু-মীচাসু চপ মান্নে। ফত্তবা মশেল মান্নদুনা হয়িংখোই ঙংবগুম থোকহন্দুনা ইমুং মহি লাংহল্লি, অমগা অমগা লৈমিন্নবদা নারি তিন্নদে, নুংশিনদবগী মৈরি চুদুনা কাং-খোং চাইনা য়ূমলৈ-কৈরৈ নাতৈদা চাদনা লৈনবা য়াওনরিবনি। মসি পুম্নমক ঐনা তৌরুবা, চৎলুরিবা লাল্লোং অসিবু চুম্না চুমদ্রা হায়বদু য়ুম্বানবগী মৌনা মুয়া খল্লুনদুনা পুকচেল চাউথোক্লুবা, ইমুং মনুংদা চাইনদুনা লৈবা অমোৎপা ফত্ত-হৌদি তাশিনবগুম নুংশিনবগী পরৈনা মচিন মনাও, অহল-লমন পুনশিন্দুনা অঙৈবা য়ুম্বাল ওইহল্লবদি অশেংবা য়ুম্বাল হৈবী মৌনি হায়নগদৌরিবনি। অদুবু মসিসু ৱাখল লৈবদি খরতনি তাবী-লৌবীগদৌবা। 'মতমগী ঈশিং নুংশিং শেংদবনা' অওনবগী অওনবা শেরায়বা লম্বীদা চৎনরকপা কয়াসিনা অৱাবা কোমদা তাহল্লি। ঐখোয়না থম্মোয় শেপ্পা তৌরগনবগী ইমুং-মনুং হায়বসি খম্ফম থোকপা খঞ্জে। লৈবাক অমদি ইমুং অমা নুংশিনহনবা হায়বসিদি নুপা-নুপী পুন্না চৎমিন্নরবগী চাউরবা থৌদোক লৈ। অদুনা পুকচেল লৌথুপ থমদনা অরৈ-লৈতা, অৱা-নুংঙাই পাউদমদুনা পুক্লিং লৈতানা লৈবা ঙম্বা নুংশিনবগী পুন্সি লম্বীদা পুন্না চৎমিন্নবনা হোৎনমিন্নরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লো মরী লৈনদে।